HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ



জুবেনাইল জষ্টিস এক্ট, ২০১৫ অমদি পোক্সোগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সোসল ৱেলফেয়র লোয়শঙগী দি সী পি য়ুনা শীন দুনা পাঙথোকখিবা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রামদা থৌবালগী এস পিনা ৱা ঙাঙবা

এস কে ৱিমেন্স কোলেজদা এৱেয়র্নেস পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ২

চাক্লা চাক ৱানা ৱা
লামায় ৪

শেল তিংদনা থবক পীবিরি 'ইন্দিয়া লৈঙাক্লা' লমজিংবীনবা ...
☛ লামায় ৫

দল্লিয়ু সুমতিনা লাঙ্গোই ঈরম লম্বী মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে
☛ লামায় ৬

ওল মণিপুর রিটাইয়র্দ নেহরু য়ুব কেন্দ্র সঙ্গথনগী ওফিসরশিংনা ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা থৌরমদা থবক্তগী পোৎখারবা চিংথাম ইবোচৌ অমসুং আইমাস চিরুবু তরাম্না ওক্তুনা খুদোল পোৎ তম্বা



Vol. 46, Issue No. 330 | থাংজ, লমতাগী ১২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, March 04, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### ১২শুবা এসেমব্লিগী ৩শুবা মীফম স্পিকরনা সাইনে-দাই এদজোর্ন তৌখ্রে

# এম এল এ ৬০ মক ৱার ওন দ্রগস কেম্পেয়নগী ৱারিয়রনি হায়না এসেমব্লিনা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) : মমাঙ থাগী ২১দগী চথরকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৩শুবা মীফমগী ২শুবা তাঙক্কী সেসন হৌখিবা থাংজ নুমিৎ য়াওনা নুমিৎ ১০নি চুপ্পা চথরক্লবা মতুং ঙসি নুংথিল অরোইবা নুমিৎতা থমখিবা হাওসকী বিজিনেসশিং মপূং ফানা পাঙথোক্লবা মতুংদা হাওস অসিবু প্রিসাইদ তৌরিবা স্পিকর থোকচোম সত্যব্রতনা সাইনে-দাই এদজোর্ন তৌরে হায়দুনা লাউথোক্খিঙৈগী মাঙওইননা হাওস অসিগী ইলেক্টেদ মেম্বর ৬০ মকপু লৈঙাক্লা চথরক্লিবা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেয়ন অসিগী ৱারিয়রশিং ওইরে হায়বগী ৱারেপ হাওসকী মেম্বরশিংনা অমত্তা ওইনা য়ান্নদুনা লৌখি।

ঙসি মেম্বরশিংনা লৌখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী পুৱারীদা সনাগী মুক্কা ইদুনা লৈহৌরগদবা ৱারেপ অসি হোমগী থবকসু পুবদা নত্তনা হাওসকী লিদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী রুলস ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেসকী রুল ১০৬কী মখাদা হাওসতা মুভ তৌরকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা লৈঙাক্লা মমাঙগী কুমজা ২০১৮-দগী চথরক্লিবা মণিপুরদগী ইল্লিগেল দ্রগশিং মৰূ ফংনা মুৎথৎপা অমসুং মণিপুরগী চীংগী মফম অমত্তদা পোপি পান্থীশিং থাহন্দনবগী চঙশিল্লক্লিবা লান অসিবু মপূং ফানা মায় পাকহন্নবগীদমক রিজোল্যুসন অসি মুভ তৌরকখিবনি।

হাওসকী লিদরনা রিজোল্যুসন অসি মুভ তৌরক্লবা মতুংদা হাওস অসিবু প্রিসাইদ তৌখিবা স্পিকরনা পাস তৌবদা মেম্বরশিংগী অয়াবা লৌরকপদা ঙসিগী সেসনগী অরোইবা নুমিৎকী মতমদা হাওসতা ফমদুনা শরুক য়াখিবা মেম্বর অয়াম্বনা দেস্ক থিন্দুনা অয়াবা পীরকপদগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

অমরোমদা, ঙসি অরোইবা নুমিৎতা কোংগ্রেসকী এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরনা হংলকখিবা অন ষ্টার কেসন অমগী পাউখুমসু চীফ মিনিষ্টরনা অইবা ওইনা পীখি। এম এল এ অসিগী ৱাহং অদু কুমজা ২০২২দগী ২০২৩ ফাওবদা ময়াই কাবা দ্রগ কয়া য়াম্না ফাগৎলবগে, করম করম্বা দ্রগশিংনো অমসুং দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওইশিংদু কয়া য়াম্না কনভিক্সন পীখ্রবগে, মখোয়শিংদু কনা কনানো হায়বসিনি। ৱাহং অসিগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০২২-২০২৩দা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী মখাদা তোঙান তোঙানবা ইল্লিগেল দ্রগশিংগা মরী লৈনবা কেস ৬২০ লৌখৎখি অদুগা কেসশিং অসিগা মরী লৈননা ফাগৎখিবা মীওই ৭২৪গী মনুংদা ৪৭৪না হৌজিক জেলদা লৈরগা মীওই ২৫০বুনা বেলদা চৎখ্রে হায়খি। অদুগা হায়রিবা চহী অসিগী মনুংদা ফাগৎখিবা মীওইশিংগী মনুংদগীদি হৌজিক ফাওবদা কনভিক্সন পীবা অমত্তা লৈত্রি হায়খি।

অফাবা মীওই অমত্তা কনভিক্সন পীদ্রিবসি মরী লৈনবা কোর্টশিংদা চথরক্লিবা কেসশিংগী ৱায়েলশিং লোইশিন্দবদগীনি হায়রদুনা মখোয়বু কনভিক্সন পীননবা হোৎনবদা চহী ২/৩ হেনবগী মতম চঙখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। অদুবু হৌখিবা কুমজা ২০১৮দগী হৌজিক ফাওবদা মরী লৈনবা কোর্টশিংনা পীখিবা জজমেন্ট ৬৩৬কী মনুংদা মরাল লৈরে হায়রবা মীওই ২১৭ ফাদোক পীখ্রে হায়খি।

লোয়ননা কুমজা ২০২২-২৩গী মনুংদা ফাগৎখিবা দ্রগশিংনা হিরোইন নম্বর ফোর কিলোগ্রাম ৮৬.০১৫, ব্রাউন সুগর কিলোগ্রাম ৫৩৫.৩৬, কানি কিলোগ্রাম ৫৪৪.৮১১, দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কিলোগ্রাম ৪১২.১১৮, গঞ্জা কিলোগ্রাম ১০৩৬.৬১৫, আই সীঈখৃষ্টেল (মেথামফেটামাইন) কিলোগ্রাম ৯,১১৭, এন টৈন টেব্লেট ১৩৪২, এস পি কেপসল কিলোগ্রাম ৩৪.৩৯১, স্যুদো ইফিদ্রিন কিলোগ্রাম ১৫১, পোপি মৰূ কিলোগ্রাম ২৫.৯৩৫ অমসুং কফ সিরফ বোট্‌ল ৪০,৩৬২নি হায়নসু পাউখুমখি।

# ওপোজিসনা থল্লকপা ৱাফমদমক মীদিয়ানা ফোঙলগা ঐনা খুমজরিবা পাউখুমশিং ফোঙবীদ্রগদি লান্না উখিনি, পাউখুমসু ফোঙবীয়ু : সী এম

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস) :

মীদিয়াগী ইচিল ইনাওশিংনা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী থল্লকখিবা ৱাফমশিং অদুতমক ফোঙলগা ঐগী মায়কৈদগী খুমজরিবা পাউখুমশিং অসিসু ফোঙবীদ্রগদি চীফ মিনিষ্টরগা এম এল এ অমখক্কীদং চেঙ ফংলগা অতে হাওসকী মেম্বরশিংগীদি ফংদে হায়বা ৱাফমদুনা হেদ লাইন ওইদুনা লান্না চৎনখিনি হায়না হাওসকী লিদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৩শুবা মীফমগী ২শুবা তাঙক্তা চথরকখিবা বডজেট সেসনগী অরোইবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হাওসকী লিদরনা ৱাফম অসি ঙসিগী অরোইবা নুমিৎকী বিজিনেসশিংগী মনুং চন্না ষ্টেট অসিগী ফাইনান্সকী থবকসু পুবদগী হাওসতা 'দি মণিপুর এপ্রোপ্রিএসন (নম্বর ২) বিল, ২০২৩' (বিল নম্বর ৩ ওফ ২০২৩) বু হাওসকী মেম্বরশিংনা খন্নবীদুনা পাস তৌননবা পুথোরকপদা রুল্লিংগী মায়কৈদগীসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ওপোজিসন বেঞ্চতগী মেম্বরশিংনা পুখৎনরকখিবা ৱাফমশিংগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।



দি মণিপুর এপ্রোপ্রিএসন (নম্বর ২) বিল, ২০২৩ অসিবু হাওসতা খন্নদুনা পাস তৌনবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা টেবল তৌরকপদা শরুক য়াখিবা মেম্বরশিংগী মনুংদগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং ওপোজিসনগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং অমসুং হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্লা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং রিএক্ট তৌরদুনা মহাক্কী ওইবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

/মরোল থোকপা লাই




# কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা চীং অমসুং তম নুংশিনদবা লৈখিদে: ও ইবোবি

### ওপোজিসনগী সিনিয়র মেম্বর তামোগী ৱাফমদু মতম মতমদুগী সিচুএসনগী মতুংইন্না তৌনখিবনি, অদোমদা শাংনা চৎচররোই : বিরেন



ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) :

বি জে পিগী হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মমাঙদা লৈরম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা চীং অমসুং তমগী মরী য়াম্না লাপ্পবা মওংদা ফোঙদোক্লি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট মতমদা চীং অমসুং তম নুংশিনদবা লৈখিদে। অদুম ওইনমক মঙোন্দা পর্সনেল ওইনা নুংঙাইতবদি লৈরম্বা য়াই হায়না ওপোজিসন লিডর ওক্রম ইবোবিনা ফোঙদোকখ্রে।

১২ শুবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী অহুমশুবা সেসনগী অরোয়বা নুমিৎতা হাউসকী লিডরনা মুভ তৌরকখিবা ডি মণিপুর এপ্রোপিএসন (নম্বর ২) বিল, ২০২৩ (বিল নম্বর ৩ ওফ ২০২৩) গী মতাংদা ৱা ঙাংলদুনা ওক্রম ইবোবিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিদা খুন্দামীন্নরিবা খুদিংমক হান্নদগী হৌনা নুংশি-চান্ননা লোয়নদুনা লাক্লি। অদুবু চীং অমসুং তমদা লৈবা মীওই কয়ানা মঙোন্দা লন্নাই ওইনা নুংঙাইতবদি লৈরম্বা য়াই। চীং অমসুং তমগী ওর্গনাইজেসনশিংনা তৌরকপা ডিমান্দ খুদিংমক মহাক্না অয়াবা পীখিদে, য়ারোইদবা ডিমান্দ তৌরকপা মতমদা য়ারোই হায়না খুমখি। মদুনা মরম ওইরগা মঙোন্দা নুংঙাইতবা লৈরমগনি। ঙসি লমদম অসিগী মীয়াম্না জুন ১৮ হায়না খঙনরিবা অসিগী মতাংদসু মহাক্কী লৈঙাক্লা খুদোংচাদবা কয়া থেংনখি।

এন এস সি এন-আই এমগা সেন্টরগা খুৎয়েক পীনবদা ৱিদাউট টেরিটোরিয়েল লিমিট হায়না পল্লকপদগী জুন ১৮ গী থৌদোক থোকখিবনি। এসেমব্লি ফাওবা মৈ চাকখি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মতমদুগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পি চিদমবরমনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## পুলিসতগী মীওই ২ মুলহৌরে

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস) : নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা খোমিদোক উমং লৈকায়দগী মুস্তাকিম কৌবা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনী পুলিসনা থৌবাল মোইজিং অৱাং লৈকায়গী মফম অমদগী ফাদুনা পুরকপদা খঙহৌদনা হৌরকখিবা মীয়াম্না পুলিস পার্টি অদুনা লাক্কদবা লম্বীদা থৎলগা নমদুনা ফাগৎলকখিবা মীওইশিং অদু মুলহৌরে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। চেন্নবনি হায়বা মীওই অনী অদু গাড়ী ২০ লোমদা লাকখিবা মশীং য়াল্লবা পুলিস পর্সনেলশিংনা ফারকখিবনি। অদুম ওইনমক য়াল্লবা মীয়াম্না মীওই অনী অদু মরাল লৈতে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্তুনা লম্বী থৎলগা পুলিসতগী নমদুনা মুলহৌবনি হায়রি। নাকল অনীগী মরক্তা থোকখিবা ঈৱাং অদু পুলিসকী মায়কৈদগী লাকশিন্নবা হোৎনবদা টিয়র গ্যাস সেলশিং ফাওবা কাপখি। পুলিসকী গাড়ী খরনা নৃঙনা পান্দুনা অমাঙ অতা থোকখি।

## কিদনেপ তৌরকখিবা দ্রাইভর ১ রেস্ক্যু তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) : ঙরাং নুমিদাং শকখঙদবশিংনা কিদনেপ তৌরকখিবা টাটা মেগা এক্সেল ত্রক এম এন-০৬/এল-২৭২৮গী দ্রাইভরনি হায়বা মীওই অমা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ও সীনা লুচিংবা টিম অমনা চীংঙারেলগী মফম অমদগী রেস্ক্যু তৌখ্রে হায়রি।

পুলিসনা রেস্ক্যু তৌখ্রবা দ্রাইভর অদুগী মমিং নুর খান (৩৯) অপোকপা এম দি অবদুল রহিম কৌই হায়রি। মহাকপু শকখঙদবা মীওই ৬না কিদনেপ তৌরগা পুরকপগী লম্বীদা অমম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা মহাক্লা নাম্থোক্লগা লোৎতুনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা থৌদোক অসিগী পাউ ফংবদগী কম্মান্দোশিংনা চঙশিল্লগা রেস্ক্যু তৌখিবনি। থৌদোকসিদা চেন্নবা মীওইশিং ফাবা ঙমহৌদ্রবসু নোংমৈ মৰূগা কোন্ননা পিষ্টোল অমদি রিকোভর তৌরে হায়রি।

## কোলেজদা নোংমৈ মৰূ লৈরল্লে

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) : ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা হিয়াংথাংদা লৈবা কামখ্য পেমতোন কোলেজগী প্রিন্সিপালগী কাগা থংননা লৈবা কা অমগী টেবল মথক্তা নোংমৈ মৰূ অমা চেনা য়োমশিন্দুনা লৈরল্লে হায়রি।

নোংমৈ মৰূ য়োল্লল্লিবা চে অদুদা অন্দরগ্রাউন্দ গ্রুপ অমগী মমিং ইরমখি হায়রি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ তারকপদগীনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তারমদাই ফাওবা কোলেজ অসিগী সী সী টি ভি কেমেরাশিং ওফ তৌদুনা লৈরমখি হায়রি। নোংমৈ মৰূ অদু ৱাঙ্গোই পুলিসনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা কেস অমা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চথখ্রে।

## ৱাইনেম খুলগী নিংথৌ



ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস) : কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ৱাইনেম ভিলেজগী নিংথৌ জি খোম্বা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্কী মহুৎ শিন্নবা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা পৌ খুমচাও গোনমৈবু খুল অসিগী নিংথৌ ওইনা খনখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Assembly meephamda puthoktuna khannakhidrabasu leingakna Meetei/Meiteibu ST listta channabagi recommendation soidana thagadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu


**NGARANG GI RESULT**

Q : Meeyamda yenthokkadaba Chengsing Sangaiprou amasung Koirenggeigi godowndagi naronda chingthokhre haibasi chumgadra?

Yes 100% No 0%

**অস! লোইৱেহে!**

- করি তৌরে সিবো?
- [Meetei Mayek text]



- নোং তাদ্রে, লুরে সার।
- [Meetei Mayek text]

# সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী কান্টিনদগী মীচম মীয়াম্না য়ু লৈরিবসি লোনা য়াব্রা : কে রঞ্জিৎ



ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) :

মণিপুরদা লৈরিবা সিক্যুরিটি কেন্টিনশিংদগী মীচমনা য়ু লৈবদা লৈঙাক্লা অয়াবা পীবা লৈতে। করিগুম্বা কান্টিনদগী মীচমনা য়ু লৈবা থেংনরবদি ফাগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

১২ শুবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী অহুমশুবা সেসনগী অরোয়বা নুমিৎতা ওপোজিসন এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা হংলকখিবা ষ্টার ক্বেসন নম্বর ১৯০দা য়ু লিগেলাইজ তৌনবা ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ

### এসেমব্লিগী ৱাহং পাউখুম

লৌখ্রবা তুংদা য়ুঙাং য়োলহন্নবা করি থৌরাং তৌবা হৌরবগে হায়বগী মতাংদা পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়খিবদা, ষ্টেট কেবিনেটনা য়ু লিগেলাইজ তৌনবগী ৱারেপ লৌখ্রবা মতুংদা হিরম অসিগী মতাংদা হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্লবগীদমক গভর্ণমেন্টনা এক্সপার্ট কম্মিটি অমা শেমখ্রে। মসিগী মথক্তা সেকমাই, অন্দ্রোদা শুংলিবা ষ্টেট অসিগী ইডিজিনস য়ুশিং লিগেলাইজ তৌনবগী মতাংদসু ৱারেপ লৌখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা শেমখিবা এক্সপার্ট কম্মিটিশিংগী রিপোর্ট লাকপা ঙাইরি। অমরোমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী কেন্টিনদগী মীয়াম্না য়ু লৈনরিবা অসি লোনা য়াদে। করিগুম্বা মীচমনা সিক্যুরিটি কন্টিনদগী য়ু লৈবা থেংনরবদি ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# ফোরেষ্ট পর্সনেলশিংনা পোপি পান্থীশিং য়ান্থৎখ্রে, নুপী ১ ব্রাউন সুগরগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচ এন এস) : কাংপোকপী ফোরেষ্ট দিভিজনগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর এন গনেসনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সাইকুল সব দিভিজনগী মনুং চনবা এম ঙামনে খুলগী মনাক্তা লৈবা তোলথাং হিল রেঞ্জগী একর ২.৫ রোম চাওবা এরিয়াদা থারম্বা পোপি পান্থীশিং য়ান্থৎতুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।




ঙসি পোপি পান্থীশিং য়ান্থৎপগী টিম অদু কাংপোকপী দিভিজন ফোরেষ্ট রেঞ্জগী ফোরেষ্টর নিটেস খুলেমনা লুচিংলগা চথখিবনি। টিম অদুদা ফোরেষ্ট লোয়শঙগী পর্সনেল ১৫না শরুক য়াখি হায়রি। ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## মাঙখিবা ১ শিনা ফংলে

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১দগী য়ুমদা থোকখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকখিবা ৱাঙু তেরা লুপা মরুপ্তগী ফিলেম সঞ্জিৎ (৩১) অপোকপা পি ঐচ জোতিন কৌবা নহা অমা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা ৱাঙু পি এসকী মনুং চনবা তম্ফা লাইরেম্বী ৱাঙু লাইফমগী মপাদা লৈবা ইম্ফাল তুরেলদগী শিনা ফংবদগী মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা লৌশিনখ্রে হায়রি।

## নোংমৈ লল্লোনবী ২ ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) : থৌবাল কম্মান্দোনা কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন এ আরগা খুৎশম্মদুনা চথখিবা ওপরেসন অমদা হৈরোক পার্টটুময়ায় লৈকায়দগী নোংমৈ লল্লোনবী নুপী ২ পোইন্ট ৯ এম এমগী পিষ্টোল (গ্লোক) অমগা কোন্ননা ফাগৎলে হায়রি। ফারবা মীওই অনীমক মখোয়দগী ফংখিবা নোংমৈ অসিগা কোন্ননা কম্বাইন্দ টিমনা হৈরোক পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা কেস অমসু লৌখৎলে হায়রি।

# জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা হৌজিক ফাওবদা ইলেক্ট্রিক ফংদবা খুল ১ লৈরল্লে

## লৈঙাক্কী খুদোংচাবা শুনা ফংদবদগী মী ৩০০ লোম লৈরম্বদগী ৭০ রোমদা ঙাইরে

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) : হিংবদা খুয়া তুশিৎনা লৈবা ফংদ্রবা অমসুং হিংবদা চঙবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ফংদুনা মরেক মহাও থোক্লা লৈবা ঙমদ্রবদি মীওইবশিং খক্তা নত্তনা শা-ঙা ফাওবা লৈবা ঙল্লক্তে হায়বদু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বোরোইখাল মৈতৈ খুলদা চপ চানা থোক্লল্লে।

খুল অসিদা হৌজিক ফাওবদা ইলেক্ট্রিক্কী মৈ ফংদবদা নত্তনা লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক পায়খৎপা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী খুদোংচাবা শুনা ফংলমদ্রে। মরমশিং অসিনা অদুঙৈ কুমজা ১৯৬৪দগী লৈরকখিবা মৈতৈ খুল অসিদা অহানবদা মীওই ৩০০ লোম খুনদাদুনা লৈরল্লবসু ঙসিদি শুপ্পতগী মীওই ৭০ রোমদমক লৈরে। অদুগা মখোয়গী মনুংদগী ভোট থাদবা য়ারবা ভোটরশিংগী মশীংনা শুপ্পতগী ৫৪ খক্তমক ঙাইরল্লে।



মৈতৈ খুল অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং শুনা ফংদ্রি হায়রদুনা খুল অসিগী খুঙ্গাশিংনা হায়, ইলেক্ট্রিক্কী মৈ ঙসি ফাওবা ফংদ্রি। মনিরেদাদগী লেম্প ৭ খক্লা খুল অসিদা নুমিদাং থান্নরি। চহী খরগী মমাঙদা প্রাইমারি স্কুল অমখক লৈরমখি অদুবু ওজা লৈতবদগী খুল অসিগী অঙাংশিং জিরিবাম তান্না চৎলগা মহৈ-মশীন তম্বদা নত্তনা ইম্ফালদা লৈরগা লাইরিক ...মখা লামায় ৩ কলম...

## এসেমব্লিদা পেপর ৩ টেবল তৌখি

ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএসএস) : ঙসি লোইশিনখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৩শুবা মীফমগী ২শুবা তাঙক্কী অরোইবা নুমিৎতা ফাইনান্সকী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা তোঙান তোঙানবা পেপর অহুম হাওসতা টেবল তৌখি।

হাওসকী লিদরনা টেবল তৌখিবশিংদি- মীদিয়ম টর্ম ফিস্কেল পোলিসি ষ্টেটমেন্ট, ফিস্কেল পোলিসি ষ্ট্রেটেজি ষ্টেটমেন্ট এন্দ মাক্রো ইকোনোমিক ফ্রেমৱার্ক ষ্টেটমেন্ট এন্দ দিসক্লোজরস, রিপোর্ট ওফ দি ফোর্থ মণিপুর ষ্টেট ফাইনান্স কম্মিসন- ২০২১-২৬ (ভোল্যু-১ এন্দ ২) অমসুং এক্সপ্লেনেটরি মেমোরেন্দম এজ টু দি এক্সন টেক্কন ওন দি রেকমেন্দেসন্স মেদ বাই দি ফোর্থ মণিপুর ষ্টেট ফাইনান্স কম্মিসন ইন ইটস রিপোর্ট সবমিটেদ ওন ৩১-০৭-২০২১নি।

হাওসকী লিদরনা পেপরশিং অসি ঙসি অয়ুক্কী ৱাহং পাউখুমগী বিজিনেস হেক লোইবগা হাওসতা টেবল তৌদুনা মেম্বরশিংদা খঙহনখিবনি।

# মীতৈগী এস টি : খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল পোৎফম ফম্বীশিংনসু শৌগৎতুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএনএস) : সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম) না মপাং লুপশিংগা খুৎশম্মদুনা মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাক অসিগী এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়দুনা লিশাং শিৎনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংগী মখা তারকপদা ঙসিসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী পোৎফম ফম্বীশিংগা খুৎশম্মদুনা দিমান্দ অসিবু শৌগৎপগী খোঙজং চঙশিন্দুনা খোল্লাউশিং লাউখ্রে।

ঙসিগী খোঙজংদা পোৎফম ফম্বীশিংনা লাউখিবা খোল্লাউশিংগী মনুংদা মীতৈ/মৈতৈবু কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড ট্রাইব লিষ্টতা চলহনগদবনি, লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা রেকমেন্দেসন থাগদবনি হায়বা য়াওখি।

ঙসিগী খোঙজং অসিগা মরী লৈননা এস টি দি ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫